ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯱꯹, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯴꯴ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

# হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেল, ওগষ্ট ১৯, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১৪৪শুবা মশীং

## চান্দেলগী থৌদোক

### চাক্লা ঐগী চারগা ৱানা মীগী ঙাঙবা

হৌখিবা ওগষ্ট ১৪, ২০২১দা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা থোকখিবা থৌদোক্তুবু লাইবক থীবা অমসুং থোকহন্নীংদবা থৌদোকনি হায়দুনা উৎনা ৱাইনা খুমজিল্লগা থস্বা য়াগদৌরিব্রা? প্রেসরদা চৎলোই তোয়না হায়খিবা গভর্ণমেন্টনা মৱা-মনিল অমত্তা নাইদনা ঈশিংদা লৈতুম থাদবদৌনা লৈথোকপা চুপ্লোই। ৱাফমসি নোং চুরগা কৈনো পোপথোকই হায়দুনা অমুক নৌহৌননা হৌদোরকপগী ৱাফম নত্তে। ষ্টেটসিগী মফম অমদা চত্থখিবা থৌওং অমা, থোকহনখিবা থৌদোক অমনা ইল্লিগেল এক্টিভিটিশিং ওইরবা অমসুং লৈবাকসিদা চৎনরিবা লোগী প্রোভিজনশিংবু ভাইওলেট তৌবা অন-লোফুল এক্টিভিটিশিং ওইরগদি ক্রাইম নৎত্রগা ওফেন্সতুগী মতাংদা, মদুগা মরী লৈনবা ওফেন্দরশিংগী মথক্তা লিগেল প্রোসিদিংশিং লৌখৎফম থোক্তব্রা হায়বনি। লৌখৎতে হায়বা নত্তে। চান্দেল পুলিস ষ্টেসনগী নুমিত্তুগী জেনরল দাইরি (জি দি) দা এন্ট্রি তৌরম্বা য়াই। মসিদগী হেন্দোরক্তুনা রেগ্যুলর এফ আই আর কেস অমা ফাউবা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলম্বসু য়াই। থৌদোক্তুগী মায়োক্তা কনা অমত্তনা ওরিজিনেল ঈজাহার ফাইল তৌরক্তবা ফাওবদা চান্দেল পুলিস ষ্টেসনগী মায়কৈদগী শুও-মোটুদা কেস অমা লৌখৎপা য়াই হায়বনি। হোয়, পূন্নমকসিসু লৌখৎলম্বা য়াই। মথৌ তাবা ফোর্মেলিটি পূন্নমক শিৎ-নান্না, অমত্তা চিত্থদনা তৌরম্বসু য়াই, তৌফমসু থোকই। লাক্লিবা ৱাফমদি লৌখৎফম থোকপদগী লৌখৎলিবা থবক-থৌরমশিং অদুগী মতুং ইনবা পুলিসকী মায়কৈদগী মীয়াম খঙনা ফিজিকেল এক্টিভিটিশিং উনীংই, য়েংনীংই হায়বনি। হায়রিবা থবকশিং অসি ষ্টেটকী লো-এনফোর্সিং এজেন্সি অমা ওইরিবা সিভিল পুলিসকী মেন্দেটরি ওইবা থবকশিংনি হায়বনি।

এন এস সী এন-আই এমনা মখোয়গী আউটফিটকী ওইগেরা নৎত্রগা নাগালেন্দগী ওইগেরা নীংতম নুমিৎপু ওইরো নৎত্রগা অতোপ্পা অমগীবু ওইগেরা পাঙথোক্লিংবা থৌরম কুম্মৈশিং পাঙথোকচবদা ষ্টেটসিগা মরী লৈনদে। পাঙথোক্লিংলগা পাঙথোকচসনু, পাঙথোক্লীংদ্রগা তোকসনু। মদু মখোয়গী ওইবা ৱানি। মণিপুরগী নৎত্রগা ষ্টেটসিগী মীয়ামগা হকথেংননা নৎত্রগা নাকোইনবা মখলশিংগী মরী অমত্তা লৈনদে। তৌবতবু মণিপুরগা শাইজিন লোন্নরিবা নাগালেন্দদা করিগুম্বা থৌদোক অমা থোরকপদা য়ূমথংনরিবা ষ্টেটসিদসু মদুগী ইম্পেক্ট লাকই হায়বগী ৱাফমতনি। অদুগীসু মথক্তা এন এস সী এন-আই এম হায়রিবা খূৎলায় পায়বা খূৎপুসি লৈবাকসিদা চৎনরিবা লোশিংনা য়াদবা হায়বদি আউট-লো অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসননি হায়না লাউথোক্লগা লালহৌলূপসিগী মথক্তা অথিংবা কয়া ইম্পোজ তৌদুনা থল্লিবনি। গ্রুপসিগা অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবগীদমক হৌজিক গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মরক্তা খূৎ থানদবা (সিজ-ফয়ার) গী য়ানবা থল্লক্তুনা থেঞ্জাং নাইনা ৱারী শানরক্লিবনি। অদুবু হায়রিবা প্রোসেস অসি চত্থরি হায়দুনা এন এস সী এন-আই এমগী মথক্তা লৈবাকসিদা চৎনরিবা লোশিংনা থল্লিবা অথিংবশিং কোমথোকপা লৈত্রিবনি। ফীভমসিদা মণিপুরগী অকক্লবা ফুরুপ অমগী মীওইশিংনা ওগষ্ট ১৪, ২০২১দা এন এস সী এন-আই এমগী ইন্দিপেন্দেন্স দেনি হায়বা থৌরমদা হরাউ মথোই কাবিরুগদৌরিবা অসিবু করিগীনো? থৌওংসিবু চাক্লা ঐগী চারগা ৱানা মীগী ঙাঙবা হায়বদু তারক্লোইদ্রা? এন এস সী এন - আই এম কৌবা নাগালেন্দগী লালহৌলূপ অমগা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মরক্তা অরোইবা ৱাতুপ্পবা অমা পুরকখিববুদি য়াম্না ফৈ। নাগালেন্দ খক্তা নত্তনা য়ূমথংনরিবা মণিপুরগীসু অফবনি হায়নীংই। অদুবু লালহৌলূপসিগী নাগা তাবা মফম খুদিংমক এদমিনিষ্ট্রেটিভ য়ুনিট অমগী মখাদা পুনশিন্দুনা থমগনি হায়বা মঙফাওনররোইদবা মঙ অমা কন্না মঙখৎলক্লিবনা ষ্টেটসিগী ফুরুপ অমনা মফি তাখৎলগা চোংখৎলকপা চুপ্লোই হায়বনি। লো এনফোর্সিং এজেন্সিশিং খূৎ পুল্লগা লৈথোক্কনু।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৪

১) *‘‘পুন্সিগী য়াইফ কোরৌসু নঙনি/কোরৌগী শান্নফম, নোংদোলসু নঙনি/নঙতনি ইমা পোক্লফম লমদম,/কৎচরি পুন্সি থৱায় হকচাং।’’* ঈশৈ মতেক অসি কনানা ইবনো অমসুং কদাইদগী লৌথোরকপনো?

২) *‘‘পুন্সিগী খোঙচৎতা’’* হায়বা ওটোবাইওগ্রাফি অসি কনানা ইবনো?

৩) *‘‘নুংশিত্তি পাবা হৈতে’’* হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা হন্দোকপনো?

৪) *‘‘কনাসু ঐগী মিং খঙদে’’* হায়বসি অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) *‘‘নুংবাল পুনশি ইৱাললৈ, চারোল তরেৎ থোলমল লৈ, শুরোল তরুক তানফংলৈ ফত্‌ত্রে লৈশিল্লে, য়ামদ্রে চাইশিললৈ, চহুই কাংবা লৈবু লৈরাং খয়োম শানা পীনরমও। হে অহল উঝাগুরুজন লাই ওইনবশিংও ইমাই নোংনেম লাইনপাং ইমনকৌবা চীংথংলা পাংবরম ওন্না কোনশিনজরমগে। হরিও।’’* ৱাহৈ পরেংশিং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইপুদা ইজবা চিঠি -৩

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

নুংশিজরবা ইপুখোই,

নুংশিদ্রা ইপুখোই, নশু শুথাং কয়া-কয়ানা মাগী-মাগী ঙমজবা থাক্তা ইপুখোইগী থৌরম নুমিত্তা অঙম্বা থাক্তা শিন লাংদুনা, ইপুখোইগী মিংলেনবু শৈরেং ওইনা থিদুনা, ঈশৈ ওইনা শক্তুনা, ৱারেং ওইনা ঙাঙদুনা, মখল-মখা কয়াগী থৌরমশিং পাঙথোক্লখ্রিবদো। মণিপুরদগী হেন্দোক্তুনা মণিপুরীনা তাবা থংনবা ষ্টেটশিংদসু ইপুখোইগী থৌরম অদু ফজনা পাঙথোকখিবগী পাউ তাখি। তাবদা নুংঙাই, পূক্লিং থৌগৎনীংঙাই ওই। শ্বাইদসু অদুম পাঙথোকনৈ। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু ইপুখোইদা ইকায় খুম্নবা উৎতুনা নোংমৈগকা মথক্তা কাপখৎতুনা বজাই বেঙ্গুন খোংদুনা ইকায় খুম্নবা উৎলি। মোই মোইনা নীংজবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লে। কয়াদা নুংঙাইখ্রবা, কয়াদা নুংশিখ্রবা। লুরিবদি কয়ামুক য়াম্না শেংনা মরৈবাক মরমদম্মু নুংশিরবগে হায়বা অদুমদি চোই-চাং ওন্নবা সেরফলা লৈতবনা হায়বদি ঙম্মোই। থম্মোয়গী চাঙবু কনানা ওনবা ঙম্লিবগেদো? অদুবু, ঙাঙনরিবা কয়া অদু তারগদি মোইদগী হেন্না মরৈবাক মরমদম নুংশিবা অতৈ কনা অমত্তা লৈত্রবোই খনগনি। ফজখ্রবা ৱারেং কয়া পরেং লেংদুনা হায়রদবু কনানা তাবা ঙমগদৌরিবনো। অতাবশিংনা খূবাক খুনৈ। নশুনা হায়জরিসি, ঐখোয় শ্বাইগী ৱা ঙাক নৎচদেকো। সেরান্ননা অমুক খন্দুনা চম্না হায়জরিসি ৱাকাই তাখিনি। সুম্নমক্তবু হায়বগী ৱানি। ৱাহন্থোক্তি, থম্মোয় হায়বসি মপান থোঙদা উবা ফংদবনিনা, চিনদা হায়বদদি য়াম্না নুংশিবা মাল্লি হায়বৈ ৱানি। থম্মোয় মরোল নাইনবদগী ৱা কায়নরিসিনি, লৈশাবী-পাখঙ কয়া-কয়া থম্মোয় কায়বগী ফৈরেংননা চৎনখিবা কয়া য়াওনখ্রেদনা, সিদি হৌজিক্কী ৱা ঙাক নত্তে, আ! মমাঙঙৈদগী হৌনা চৎনদুনা লাক্লবনি। থম্মোয় কায়বগী ৱা লৈরমদ্রবদি কদাইদগী লৈরমগনি - ফাওরবা ৱারী লাইরিকশিং - জহেরা, ওসমান থম্বাল, খম্বা থোইবী, মাইনু পেমচা, সতি খোঙনাং, চাওবা চাওবী, ইবেল্লে সরতনচিংবা কয়া কয়া...।

অদুবু ইপুখোই সিনা ৱাফম অমা ওইরগা, লাক্তৌরিবা মীখলসিদা ভোট লেপতৌরিবা, লৈবাক অমদি মীয়াম নীংবা মানবা পরেং-পরেং থোরক্লিসিসু ময়েংবীখো। মোই মতৌসিসু অদুম মনুংঙাইবনি, মোইনা তৌজ শারিদো। অৱা-অনা তারবশিংদনি হায়দুনা, মীখোম খুদোল হায়গদ্রা ময়োম খরা, চাওরাক্লা চেঙ কেজি ৪/৫, হৱাই খরা, অচাথাও অহোংবা পৱাগী মচা অমা, থুম লুপা ১০ পীবা পেকেট মচা অমা, কোবি খূৎতুম খূৎতুম্মুক চাওবা অমা/অনী, লফু মকক অমা/অনী, পাপর লুপা তরা পীবা পেকেট অমা, চেরং খাওদা হাপ্পগা পুরক্লগা কেমেরা মমাঙদা পোজ তৌরগা, কেমেরাদা ওনশিল্লগা নোকফেৎ তৌরগা য়েন্থোক-য়েনশিন তৌরিশিংসি ওন্থোক্লা নুংঙাইবা মথেল অমনি। এ সী নুংশিবা শাবা, নশু থিকা তৌবা শেঞ্জাও পায়বশিংবু নুংশিদ্রবো? মাঞ্জদ্রো মতুংদা নহা মচা খরগা ইন্নরদনা, হৌজিকতৈ হৌনা মথন্তা চৎপা ফাও ঙমজদ্রে, হয়েং অসিনা শোয়দনগা থোক কাখ্রদি সিফাইনা অমুক য়োম্মনি, মাবু ভোট পীখিবা মীশিং ফাওবা উন্নগে চৎলসু উনবা ফংলরোই, মাবু উনবা লাকপশিংনা শঙ্গোইদা, মাঙ্গোলদা, শুমাংদা ঙাইখৈ ঙাইহল্লগা, *‘ময়াম ৱারৌবীবা য়াদ্রে, ঐ সী এমগা তঙাইফদনা মীটিং অমা লৈরে, ফোন হঞ্জিন-হঞ্জিন তৌরক্লে’’* হায়জিন্নরগা কার অতাঙবা তোংদুনা থৌদোক্লগা সিফাই-ও, করি-ও চৎখ্রনি। সিনি ইপুখোই তৌরিসে, মোইনা খঙদবা অমত্তসু লৈরোই। হীরম অমদা খঙনবা হায়দুনা পিশক পিক্লিঙৈদগী মপান থোক্তখৈ লাইরিক ময়াম অমা পাদুনা ৱানা হোৎনজরকপা ময়ামদো মদুদগী মোইনা হেন্না খঙই। সব জান্তা ঙাক্তনি।

ইপুখোই হৌজিক্কানসে, অকাবসু-কাদবসু, কানীংবসু-লেপনীংবসু খোগোপ্পা মাই-মাই এ সী অমদি মীয়াম্বু য়াম্না নুংশিরকপা মতম হায়দু ওইরমাল্লে। খোইরেন মসা পাইনরে। ঙসি অমনা অমা তৌরমগনি, নোংঙাল্লগা অমনা অমুক তৌনি। ইপুখোই, মোই মোইগী মমায়-মমায়দো মুন্না য়েংলুরদি মথম্মোয়দা কৈনো অমা ইরোৎ লোৎপা মানবগী মমিদি অদুম তাই। অদুবু হায়বদি হায়দোক্লদে। হৌজিক চীংদদি খরবু ঈহৌসি তপথরি, তম্পাক লমগী এ সী ৪০সিদদি মৈ তারে। মফম খুদিংমকসিদা তৌনরিসি, কেন্দিদেট ওইগদবশিংনা শো তৌনরিসি, ভোটতা শেল য়াম্না থাদবা ঙম্বা মীশকনি হায়দু শো তৌবনি হায়না লৌবা য়াই। গাড়ীসি মমল অতাঙ অতাঙবা তোংলগা চুম্নগা লাকপা নত্তেনে, গাড়ী মঙা/তরুক থৌজিন্নরক্লগা শো তৌনরিবনি। মদু উবদা মসিমদি শেল খরা পায়বা মাল্লিহে হায়না খলহল্লি। শেল পায়রদি খরা কান্ননি খনবৈরা কৈনো খঙদে, লাইরেন মতুং ঙা-ইনবগুম মতুং ইন্নদৌরিনি। ঙসি মোইনা পুখ্রিদা ঙা য়োকপগুম থাদরিবা মচিঞ্জাকশিংসে, হয়েং কাখ্রকান্দা চহী মঙা চঙনা ফা ফারগা লল্লোনদৌরিবনি হায়সিদি কনামতা খঙনদে। সি ওইরে ইপুখোই হৌজিক মণিপুরদা তৌরিসে।

তাঞ্জাসিদা য়াম নোক্লিংবা অমতগা ইপুহোয়দা তমজহৌগে। মীখল নকশিল্লক্লবনিনা, লুচিংবা-লুচিংবী, কানীংবা-কানীংবীশিংনা ৱা ঙাঙবসে, ভোটকী ৱা অমা-অনী অদুম থেৎচিল্লম্মে। মোইনা মীয়ামদা হায়রিসি, মী অফবা খনবীয়ু, মীশক চুম্না ভোট পীবিয়ু সিনি। লাষ্টতা তাশিল্লক্লিনা, মী অফবা, মীশক চুম্বা হায়বসে মোইসিনি সিনি। খনবীয়ুসু হায়বা, অফবদুসু মশানি হায়জবা সিদা ওইরে ঐখোয়গুম্বা কাঙবুনা অমুক ৱান্থ-ৱান্থখৈ নোক্লিংলিসিনা। মশা মশাগী অফবনি হায়না পোজ তৌজবা ময়ামসিগী মীউপ লাংসিনা পুংকুপ কুপশিন্দুনা মী পূম্নমকশিংসি পুমঙাও ঙাওহনবদৌনা তৌরে। হৌজিক থা খরদা ঙাইরে ভোট তৌদৌবা, মথং চহী হৌরকপদদি শোয়দনা তৌরনি। মদুগী শৈহৌনি কন্না শক্লরক্লিসে ইপুখোই। ঈশৈ পামখ্রবা ঐখোয়সে, মোইগী সুরসি তানীংদবনা লোইরে।

য়েংবীয়ু ইপুখোই, মণিপুরগী পোলিটিক্সকী লোঙজম্প-হায়জম্প হৌরে, কম্পিটিসনগী টাইপতা শান্না-শান্না চোঙবা তান্নবগী হুইসেল খোংবা হৌরে। সিদৈদি জর-জর হেনজিল্লক্লনি। চোঙবদা তাফম মথোঙ খঙদদনা শেরান তুরান তাশিন্নবগকসু য়াওনরক্কদৌরিনি। হৌজিকসি খরা অমদি হৌগৎ ফমথ তৌদুনা চোঙনবা এক্সর্সাইজ কন্না তৌবা হৌনরেবু হায়নরি। লোইবা নাইখিরোইদৌরি হায়নরি। টিকেট ফংলরোই হেক খল্লবা চোঙথোকখ্রনি। অমনা অমুক ফন লাউনা চোঙশিল্লক্কনি। হেক চোঙবগা থাগৎ-থাগৎতুনা ঙাঙলম্বদু অমুক শীধ-শীধনা ঙাঙনরক্লনি। নুংঙাইখ্রজাৎনি, ইপুখোই মায়দা অমনেমী ঐখোয় শ্বাইগী তৌনরিসে। মোই মতৌগসি তুংদা হৌরক্লিবা নহাশিংনা তম্লদি’বকো পুম্মাঙ মাঙদৌরিনি। ইপুখোয়ই মৈ তাদৌরিনি, হৌখি-হৌখিবা মীখলদা শেনয়েন-ঙায়েন-চেঙয়েন মতা অমা তৌবা হৌখ্রেদনা, হন্দক্লা অমুক হেনদৌরিনি, হায়দনা কান্নদে, কমদৌগে হায়দু য়েংবীয়ু। মীগকসি কোকথোঙ শিনরক্কদৌরিনি। মালেমগী মী পূম্নমক্লা তাবদা মথবাক য়ৈবা মখৈ ঙকদৌবা মওংদা তৌনরক্কদৌরিবনি। নম্ফু-হাফু য়াম তৌনরক্কনি, অদুগা কান্নরক্কদৌরিনি। কাবু কারবা মীয়াম্না য়াবনি হায়দুনা লৈ পরেং হুক্তুনা বেন্দ খোংদুনা থাবল চোংদৌরিনি। মদুদা হৱাওদনা চোঙ ফল্লিবা, নোক্লি-খেরিবা ময়ামদো অমুক লল্লোনপোৎ ওন্থোক্তৌরিনি গাইসি খঙজদখৈ মখোন শিখৈ লাউনরক্কদৌরিনি। সিমক্তবু অফবা মতিক চাবা মীহুৎ খনসি হায়বসি কনাসু ৱা ওইনা লৌনরোই, মতিক চাবসি শেল পায়বা, য়াম্না পীবদু ওইরবোই খনদৌরিনি।

কোভিদ-১৯ হায়দনা মালেমগী ওইনা মী শিনরিবা, কিনরিসে, লাক্তৌরিবা ভোটসিদদি, ভোটখোম ৱা ওইনা ঙাঙনরক্কনি। ঐখোয়না অদু তৌবনি, মখোয়না অদু তৌবনি, মোইনা তৌরিদু লাল্লি, ঐখোয়না তৌরিসিনা চুম্মীগাইনা পেদোং-পেদোং, পেত্রোলগী মমল, পোৎ-চৈগী মমল, ভেক্সিনগী ৱা, লায়েংগী ৱা পুথোক-পুথোক্তুনা খদাং নোম্নদৌরিনি, মোই মতম, ঐখোয় মতম গাইনা হায়না অকুপ্পা হিসাব পাখৎনরক্কনি। ময়াম্না পাম্মীনা, মোইনা সি হেনগৎলম্বদু ঐখোয়না অমুক শিখৈ হন্থহল্লে হায়বদুনি। অদুদি নত্তে, মোইনা সিনি ঐখোয়না সিখক্তনি, য়াম্বা মোইনা হেল্লি, ঐখোয়দি ইয়াম্বু য়ামদ্রি সিনি। মীয়ামসি পংত্রিক পংবৈ টাইপতা, মমলদি অদুম হেনগৎপা, অদুগা য়াম্বা য়ামদবা তান্নদুনা লৈরে। মতমগী অহোংবনি হোংদবা য়াদবসু শোয়দনা লৈগনি। মীয়ামগী য়েংলগা হন্থবা য়াবসু অদুম লৈগনি। পেত্রোল মমল হেনগৎলদি ভারা হেনগৎলে, ভারা হেনগৎলদি পোৎকী মমলসু কাপখৎলে। লম্বীদা পোৎ পুরকপগী লালহৌলূপ অমনা মখল কয়াগী অদু টেক্স, অদা টেক্স হায়না খোমগৎপদা গুৱাহাটিদা য়োৎচৈ অমদা লুপা চাম্মা পীবদু মণিপুর য়ৌরকপদা টেক্স ময়াম পীখিবদু পাখৎলগা লুপা ২৫০/৩০০ য়ৌরিসিনি ইপুখোই।

ইহে ঙসিসি ভোট ময়া নকশিল্লকপসিদা ভোটকা মরী লৈনবা ৱারী ঙাক্তা পাউদমদুনা লৈরে। সিসু পাউনি ইপু, ঐখোয়দা থেংনরিবা, থেংনগদৌরিবা। মসিদা ঐনা ইপুহোইদা হায়জনীংবদি অতৈ নত্তে, ঐখোয় মীশিংসে পংই হায়রদি শাওরক্কনি, পংথবা অমদি কন্না য়াওরি। মীনা ঙাঙবদা পংথবা থাজ গনবসে মসি অমুক্তা হন্থহনবীরম্মু ইপুখোইনা। লাক্কদৌরিবা মীখলসিদা, শেল য়াম্না পায়বা মী নৎত্রদি মীয়ামগী লুচিংবা ওইবা য়াদে হায়বা ৱাসে তোকথোক্লগা, শেল পায়দ্রসু লৈবাক মীয়াম্বু থম্মোয় শেংনা নুংশিজবা অশেংবা লুচিংবগী মতিক ময়াই চেনবশিংদা ভোট পীরসি হায়না অমুক্তা মী ময়ামসিগী মমঙ-মহাদা অমুক্তা মঙরেম্নবীরগা লৌশিং তাহনবীরম্মু ইপুখোই।

- নখোয়গী নশু অমা ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৭৫

**উসম ধনঞ্জয়**

**জন্যুৱারী ১০, ২০১০ ইং :**- নন মণিপুরীশিং হাৎপদা প্রিপাক্কা মরী লৈনদে হায়না আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলূপ অসিগী পব্লিসিটি ইন চার্জ অহৈবা অঙোমগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

প্রিপাক্কী ৱাখল্লোন (আইদিওলোজি) দা কনাগুম্বা মীওই অমবু ৱায়েল-বিচার তৌদনা লম্মখাংদা হেক্তা অহকপা চৈরাক (শিবগী চৈরাক) পীবগী চৎনবী লৈতে। মীওই অদুনা ফনা চাউবা মরাল লৈদুনা ঙাকপীবা য়াররোইদবা থবক থৌরম কয়া তৌদুনসু মীওইবগী মীনুংশি য়েংদুনা চুমথোক্লবগী তাঞ্জা পী। কনাগুম্বা মীওই অমবু শিবগী চৈরাক পীবা তারবসু লূপ (পার্টি) কী চৎন-কাঙলোন্না পীবা আর্টিকল ২৮ (২) গী মখাদা পিপলস কোর্টনা ৱায়েল-বিচার চত্থদুনা মীওই অদুবু অহকপা চৈরাক পীবগী থবক চত্থৈ।

মরম অদুনা হৌখিবা তারিখ ৯গী অয়ূক পুং ৮ লোম তাবদা শগোলবন্দ তেরা তোংখ্রম লৈকায়দগী ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দো অমসুং ২৮শুবা এ আরগী অপূনবা শক্তি অমনা ফারে হায়রিবা প্রিপাক্কী সর্জন্ট মোইরাংথেম মোনাও এলিয়জ পারিমচা এলিয়জ মোহেন এলিয়জ সনা (২৬) অপোকপী মীং নিমাই, সয়াং লম্বী অমসুং লাইখুরাম মুনান এলিয়জ সনাথোই (২৪) অপোকপগী মীং অমুস্না, লাংজিং অচৌবা হায়রিবশিং অসি ফাবদা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টনা মীতোপ-মীয়ানচাশিং (নন মণিপুরী) হাৎপদা প্রিপাকপু চেন্নহনবতা নত্তনা অতোপ্পা য়াওল্লুপশিং মিং পকশিল্লক্লিবসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী য়াকা য়েংদুনা লৈঙাক চুপ্লি পায়রিবা দেল্লীগী পুঙলোন্দা তান্থা চানা শাথেক তল্লিবা ও ইবোবীগী লৈঙাক্লা লীশাং-শিংনা ইরমদম কংলৈপাক্তা চত্থরকপা শেমজিন-শাজিনবা, মচিন থীবগী হৈনবী মচৎ অদুনি হায়না চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনেল এস পি এ কে ঝলজিৎনা পাউমীশিংগী মমাঙদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংদু করি করম্বা মরাল পীশিনসিগে খন্দুনা মাঙজৌননা শেম-শাদুনা লৈরবা ওইবা য়ারোইদবা ৱাফম ঙাক্তনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা অহৈবা অঙোমগী চেরোল অসিনা, লমদম অসিদা নন মণিপুরীশিং হাৎপগী থৌওং অমা কন্না চত্থরক্লিবা অসি ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টনা থিংনবা অমসুং কনানা তৌবনো হায়বদু চপ চানা পুথোক্লবা হোৎনগদবনি হায়দুনা অকনবা ৱাহৈ থল্লকপদগী তৌফম খঙদ্রবা ও ইবোবীগী লৈঙাক্লা খুদোংচাবা লৌদুনা ওইবা য়ারোইদবা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা পাউখুম ঙাক্তা পীশিন্দুনা ওইদবদা ঙাঙদুনা অমদা অমুক তাইশিন অমদা অমুক তাইশিন তৌদুনা লৈবাক মীয়ামগা লৈনরিবা মরী অদু থুগাইনবা শীনবনি অমদি য়াওল্লুপ অমগা অমগগী মরক্তা লৈনরিবা নুংশিনবগী অচেৎপা মরী অদু শিংচেপ থাদুনা থদৎনবা হোৎনরকপনি হায়না মরাল শীরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়রি, মীতোপ মীয়ানচাশিং হাৎপদা প্রিপাক্কা করিগুম্বা মখল অমত্তদা মরী লৈনদে। প্রিপাক্লা লমদমসিদা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নরিবা মীতোপ-মীয়ানচাশিং (নন মণিপুরী) বু য়েক্লবা ওইনা লৌদে, মখোয়সু ইন্দিয়াগী লোইলম লৈঙাক্কী অৱা চৈথেং নংলবা, হিংনবখক্কী লান্থেংজরিবা শিন্মী অমনি, প্রিপাক্কী য়েক্লবদি ইন্দিয়াগী লৈঙাকনি।

ঙসিদি ইরমদম কংলৈপাক্তা পুন্না হিংমিন্নরিবা ইরৈপাকচাশিং অসি দেল্লিনা শরাক তমগদবগী মতম ঙাইদুনা লৈরবা শারং মনুংদা লৈবা অয়োকপা শাগা পাংখক ওইরে হায়রদুনা চেরোল অসিনা হায়, মখোয়না ঐখোয়গী মীয়াম্বু নমথদুনা থল্লগা লোইলমগী মীনাই অমগুম য়েংদুনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নসি, মখোয়দি লান পামদে হায়রি। কয়াদা নমথাক চাউখ্রবা মরৌ লৈবা পিরাংনো। মখোয়গী খোঙয়াগী উফুল ওইনা হিংলিবা পুন্সি মহিং অসিদা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নসি হায়বসি করম্বা ফুরুপ্পা য়ানীংদৌরিবনো।

**জন্যুৱারী ১০, ২০১০ ইং :**- ইন্দিয়াগী তোল্ল-তারবা লৌমী-শিন্মী মীয়াম আর পি এফ অমসুং মসিগী লান্মী পি এল এগী য়েক্লবা নত্তে, মখোয়গী পোলিটিকেল ফ্রীদম ফংনবা চঙশিল্লকপা লাঞ্জং খুদিংমক পার্টি অসিনা শৌগৎলি। লোয়ননা হিংননবগী লানফমদা নোংমগী চরা তানবা মণিপুরদা চঙলকপা ইন্দিয়া মচা ইকোনোমি রিফ্যুজিশিং হাৎপ-তুপ্পগী পোলিসি আর পি এফকী ওইনা লৈতে হায়না আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলূপ অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটিগী চীফ জি এম চাংজৌগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থা অসিগী ৮দা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনেল এস পি এ কে ঝলজিৎনা প্রিপাক্কীনি হায়বা মোইরাংথেম মনাও এলিয়জ পারিমচা এলিয়জ মোহেন এলিয়জ সনা (২৬) অপোকপগী মীং এম নিমাই তেরা সয়াং লম্বী অমসুং লাইখুরাম মুনান এলিয়জ সনাথোই (২৪) অপোকপগী মীং এন অমুস্না, লাংজিং অচৌবা মনীং লৈকায়না ফোঙদোরকপনি হায়বা ৱাফম পল্লদুনা মপান্দগী লাকপা নন-মণিপুরী শিন্মীশিং হাৎপদা আর পি এফ অমসুং মসিগী লান্মী পি এল এবু চেন্নহন্নবা হোৎনখিবদু আর পি এফনা চত্থরক্লিবা ইরৈবাক মীয়াম নীংতমহন্নবগী লাঞ্জংবু লমদমসিগী অমদি মালেমগী মীয়ামদা লান্না উহন্নবা মরৌ লৈবা থৌওংনি হায়না আর পি এফনা লৌদবা ঙমদে। এদিসনেল এস পিনা হায়রিবা মনাও অমসুং মুনাল হায়রিবা মীওইশিং অসি কনানো হায়বা আর পি এফনা মশক খঙদে। মণিপুর পুলিসনা মমাঙথক্তা তৌখিবগুম মখূৎ চল্লবা মীদুনা হায়দবদা লমদমসিগী য়াওল্লুপশিংবু এন্টি পিপল অমসুং টেররিষ্ট ওইনা লমদমসিগী অমসুং মালেমগী মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনবা নৌনা চত্থরক্লিবা প্রোপেগন্দাগী থৌরাংনি হায়না চেরোল অসিনা মরাল শীরক্লি।

ইন্দিয়াগী লোগী চৎনবীদসু পুলিসকী খূত্তা তারবা মীওই অমনা কোর্টতা হায়বা নত্তনা পুলিসকী খূত্তা লৈরিঙৈদা হায়বা ৱাফম চৎনবা য়াদে হায়বসি মণিপুর পুলিসকী এদিসনেল এস পি অমনা খঙলমদবসি ইকায়নীংঙাইনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা জি এম চাংজৌগী চেরোল অসিনা হায়রি, লূপ অমগী কাদর অমনা মদুসু মখূৎ চল্লবা অমনা আর পি এফ/পি এল এগী মীং হেক্তা পকশিল্লক্লগা মণিপুর পুলিসনা য়াম্না লূম্না লৌদুনা মীয়াম্না হেক্তমক থাজগনি হায়না ফোঙদোরকপা অসি য়াম্না ইকায়নীংঙাইনি। তুংদা কনাগুম্বা লূপ অমগী কেদর অমনা অমুক নন-মণিপুরীশিং অসি চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীবু য়াদবা কোংগ্রেসকী লুচিংবা খরগী থৌশিলদা হাৎপনি নৎত্রগা মণিপুর পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল খরনা লৌতুনরগা হাৎপনি হায়রকপদা থাজগদৌরিব্রা। অদুগা লমদম অসিদা শৈদাংলিবশিং অসি হাৎলগা হৌজিক লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসিদা অকায়বা পীনবনি অমদি মসিদা আর পি এফ/পি এল এনা শরুক য়াই হায়বসিদি য়াম্না ৱাখল য়াওদবনা হায়গদবা ৱারোলনি।

**জন্যুৱারী ১০, ২০১০ ইং :**- মণিপুরী মীয়ামগী নীং-খা তম্বা হঞ্জিন্নবা চত্থরিবা নীংতম লালহৌ অসিবু মশক থীহন্নবা অমদি গ্লোবেল টেররিজমগী শরুক অমা ওইনা লান্না উহন্নবা ইন্দিয়ানা লমদম অসিদা হঞ্জিন হঞ্জিন হোৎনরকপসি হৌজিকসু লেপত্রি হায়না আইন্না থিংখ্রবা য়ুনাইটেদ নেসনল লিবরেসন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ) না হায়রি।

লূপ অসিগী সিনিয়র পব্লিসিটি ওফিসর, কে এস ঐচ য়োইহৈবগী চেরোল অমনা হায়রি, ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংদা ২৬শুবা এ আর অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দোগী অপূনবা খূৎপু অমনা প্রিপাক্কী মীওই অনী ফারগা মীদিয়াগী মাঙদা পুথোক্তুনা ‘মণিপুরদা মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিং হাৎপগী থবক অসি য়াওল্লুপশিংনা ইবোবী লৈঙাক অসি থুগাইনবা পরিং নাইনা চত্থবনি’ হায়না পি এল এ, কে ৱাই কে এল অমদি য়ু এন এল এফসু য়াওনা পকশিন্দুনা মরাল শীরকখিবসি ইন্দিয়াগী অরোনবা থৌশিল অদু মখা চত্থরকপনি হায়বদা করিসু কক্লিংঙাই লৈতে।

ইবোবীগী লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী অশাউবা মায়োক্লরকপা, মীয়ামগী ঈহৌ লাকপা, ফীভম কয়াদা ঈহৌ নাথৈখিনবা মীতোপ হাৎপগী থবক অসি ও ইবোবীনা থাদোকপা মণিপুর পুলিস কম্মান্দোশিংনা পাঙথোকপনি হায়না মীয়াম্না ঙাঙনৈ হায়রদুনা চেরোল অসিনা হায়রি, মীয়াম্না ঙাঙনরিবা ৱাফম অসি অচুম্বা ওইরম্মোই হায়নীংঙাই লৈতে।

মীতোপ হাৎপগী থৌওংশিং অসিগা য়ু এন এল এফ/এম পি এগা মরী করিসু লৈনদে হায়বসি মমাঙগী কুমজা ২০০৮গী ফেব্রুৱারীদা ফোঙদোকখ্রে। মণিপুরগী মহৌশাদগী লৈজরকপা য়েলহৌমীশিংগী অপূনবা শক্তম্বু কিন্থহল্লক্লিবা মপান্দগী চঙলকপা মীতোপশিং অসিগী মতাংদা য়ু এন এল এফকী মীৎয়েং ময়েক শেংনা মীয়ামদা থমখ্রে হায়নসু চেরোল অসিনা হায়রি।

নীংতম লালহৌ চত্থরিবা য়াওল্লুপশিংবু লান্না উহন্নবা মীদিয়াদা অরানবা ৱাফম শন্দোক্লিবা অসি শেংদোক্লবা তঙাইফদনা অমুক নৌহৌনা ৱাফম খরা ফোঙদোকপা দরকার ওই হায়রদুনা চেরোল অসিনা হায়রি, মণিপুরগী অপূনবা মীশিং লাখ ২৪ রোম অসিগী মনুংদা মীতোপ্পা লাখ ৮ হেঞ্জিল্লক্লে। মসি চীংমীশিংগী অপূনবা মীশিংদগীদি য়াম্না হেনখ্রবনি।

ইন্দিয়াগী কোলোনিএল ইকনোমি অসিনা শুফম-নোম্ফম ককথৎপীরবা লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংগী শুফম-নোম্ফম মুনবতা নত্তনা মাইগ্রেন্ট ৱার্কর, মীতোপশিং অসিনা লমদম অসিগী নুপীশিং চারৌ-মৌরৌনদুনা অমদি লমদম অসিদা খুন্দা লৈতাশিন্দুনা মণিপুরী ফুরুপকী শক্তম অসি তপ্পা তপ্পা মাঙহল্লক্লি হায়রি।

য়ূমথংনবা অসামদা অহোমিয়া, বোরো অমদি করবীশিংগা মপান্দগী চঙলকপা মীতোপশিংগা পাক্তক্লনা হাৎন-শুনবা থোকখ্রিবসি মসিগুম্বা ফীভম অসি থোরকপদগীনি। মসি থোকহল্লক্লিবা অসিদি ইন্দিয়াগী লৈঙাক অসিনা মশীং য়ামজদবা লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংগী শক্তম মাঙহনখিনবা শীনবা অরোনবা থৌশিল অদুননি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।